**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি রাজ্যগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

২) রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা জিলা অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

৩) কোকোমিনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা রাজ ভবনদা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ১৬ য়াওবা মেমোরেন্দ অমা পীশিনখ্রে।

৪) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসনগী সেন্তরশিং লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসিগী মখাদা অনৌবা নিয়ম অনি হাপচিল্লে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্য অসিদা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রবা মতুং মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা অহানবা ওইনা ঙসি রাজ্যগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা

পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ সেক্রেতরি পি.কে. সিংহ, দি.জি.পি রাজিভ সিংহ, সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমদি জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা রাজ্যপালনা ওফিসিয়েলশিং অদুগা উন্নদুনা মখোয়গী ৱারোলশিং তাখি।

ভিজিৎ (এল)ঃ রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা জিলা অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। জিলা অদুদা হৌজিক ওইহরিবা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে। ত্ইবোংগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা মীফমদা চীফ সেক্রেটরিনা চুরাচান্দপুর ফেরজোল জিলাগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি। শ্রী প্রসান্টনা সেক্যুরিতি ওফিসিয়েলশিংগসু উন্নদুনা জিলা অদুগী হৌজিক ওইহরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

চীফ সেক্রেতরিগী খোঙচৎ অসিদা দি.জি.পি- রাজিভ সিংহ অমসুং আই.জি.পি- এন.কে. উজৱল লোয়নখি।

কোকোমি (এল)ঃ কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা রাজ ভবনদা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ১৬ য়াওবা মেমোরেন্দ অমা পীশিনখ্রে।

ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা মরমদমদা হলহনখিবা, মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন চৎনহনবা, রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা অথুবা মতমদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম নৌহৌননা শেমগৎপনচিংবা য়াওরি। রাজ্যপালগী মাইকৈদগী মণিপুরগী আইন অমসুং শান্তি রক্সা মহৌশাগী ফিভম চপ চানা হঞ্জিনহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

রাজ্যপালগা উন্নরুরবা মতুং রাজ ভবন মমাংদা কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা পাউমীশিংদা হায়- কোকোমিগী মাইকৈদগী রাজ্যপালদা অককবা মতমগী মনুংদা সরকার অমা শেন্বীদুনা রাজ্যগী এদমিনিষ্ট্রেসন অসি শিন্ননবা থৌদাং লৌবীয়ু, রাজ্যপালনা রাষ্ট্রপতিগী মহুৎ শিন্দুনা রাজ্য অসিগী থৌ পুরিঙৈ মনুং অসিদা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্ষাগী ফিভম মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপীনবসু তকশিল্লমখি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নখি।

এন্নিভর্সরি(এল)ঃ ইং কুমজা ২০০৯ গী ঙসিগী নুমীৎ অসিদা মীহাৎ থিনা হাৎখিবা ডাঃ থিংনাম কিসন, ৱাই.তোকেন অমসুং এ.রাজেনবু নিংশিংদুনা মখোয়না লৈখিদবগী ১৬ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স মনাক্তা লৈবা মপারি নিংশিংকোলদা পাঙথোকখ্রে। মপারি নিংশিংকোল লুপ(মনিল)না শিন্দুনা চুংশিনমিন্নবনা পুন্সিন্নবদা লায়হল্লি হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লুপ অসিগী সেক্রেতরি কাপুর য়ুমলেম্বমনা হায়- হৌজিক্কী লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুন্সিনদুনা থৌদাং লৌমীন্নবা তাঙাইফদে।

মৈ (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা থা অসিগী ১৫ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈ নিয়ম লান্না শিজিন্নবা মীওই কয়া ফাগৎলে।

লমলোং সবদিভিজনগী লুৱাংশংবমদগী মীওই অমা, ৱাংজিং সবদিভিজনদগী মীওই অনি, য়াইরিপোক সবদিভিজনগী কমু মরিং খুলদগী মীওই অনি, বিষ্ণুপুর সব-দিভিজনদগী মীওই অহুম, কুম্বি সবদিভিজনদগী মীওই অমা, চুরাচান্দপুর সবদিভিজনদগী মীওই অনি, চান্দেল সবদিভিজনদগী মীওই তরেৎ, কাংপোকপী সবদিভিজনদগী মীওই অমা অমসুং জিরিবাম

সবদিভিজনদগী মীওই অমা পুন্না মীওই ২০ ফাগৎখি। মসিগা লোয়ননা কঞ্জুমর ১২ গী মৈনা ককথৎখি হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমনা হায়রি। মৈ নিয়ম লান্না শিজিন্নবা ফগৎপগী খোঙজং অসি মখা তানা চথখিগনি।

পরিক্ষা (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসনগী সেন্তরশিং অমদি রোল নম্বরশিং লাউথোকখ্রে। বোসেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থা অসিগী ১৯ দগী হৌগদৌরিবা পরিক্ষা অসি রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী পুন্না সেন্তর ১৫৫ দা পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা চীংগী জিলাদা সেন্তর ৬২ য়াওরি।

পরিক্ষা অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোই ৫৩৫ য়াওনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৯.০৫২ না শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা সরকারগী স্কুল ৩০৬ তগী মহৈরোই লিশিং ৮,৪৬৮ ওইরি। অদুগা এদেদ স্কুল ৬০ দগী মহৈরোই লিশিং ১,২১০ য়াওরি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়- জিলা অসিদা পরিক্ষা অসি নিংথিনা পাঙথোকবগীদমক শেম শাবগী থবক লোইরে। থা অসিগী ১৯ দগী হোংগদৌরিবা পরিক্ষা অসিদা জিলা অসিগী ওইনা মহৈরোই ৬৩০ না পরিক্ষা থাগনি। জিলা অসিগী ওইনা মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা অসি সেন্তর অহুম- তমেংলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, দোনবোস্কো তমেংলোং অমসুং লাংমৈ হায়র সেকেন্দরি স্কুল তামৈদা থাগনি। মহাকা হায়- দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পরিক্ষা অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি।

গোদাউন (এল)ঃ নোনে জিলাদা ভারত পেট্রোল্লিয়ম কোর্পোরেসন লিমিতেদ (বি.পি.সি.এল)গী মখাদা ভারত গ্যাস গ্রামিন বিত্রক্কী অহানবা ওইনা এল.পি.জি গোদাউন অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

জিলা অসিগী লোংমাই সব-দিবিজনগী মনুং চন্না দোলাং খুলদা গোদাউন অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা খুল অসিগী চেয়ারমেন থাংথোলিয়ান

থোইতকনা হায়- এল.পি.জিগী গোদাউন অসিনা খুল অসিদা নত্তনা য়ুমলোন্নরিবা খুলশিং অমসুং জিলা অসিগী ওইনা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীয়ামদসু কান্নবা ফংহল্লগনি।

রোড (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী নেসনেল হাইৱে টুদা তোইনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকপগী চাং হেনগৎলকপদগী জিলা অসিগী পুলিসনা চেকশিন থৌরাং ওইনা লম্বী অসিদা চাকা অনি পানবা গাড়িশিং হেলমেট উপ্তুনা থৌব্রা হায়বদু য়েংশিনবগী থবক চথুরি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী গুগুন সিংসিতনা হায়- পুলিসনা নেসনেল হাইৱে টুদা চৎলিবা চাকা অনি পানবা গাড়িশিং কুপা য়েংশিনবগী থবক চথুরি। লম্বী অসিদা চৎপা গাড়ি মচাশিংদা মীওই অনিদগী হেন্না তোংবা য়াদবগী অথিংবসু থমলে। দ্রাইভিং লাইসেন্স য়াওদবা অমসুং চহি নৌরিবা অঙাংশিংনা গাড়ি থৌবদসু অথিংবা থমলে। করিগুম্বা হায়রিবা নিয়ম অসিগী ৱাংমদা গাড়ি থৌরকপশিং ফাইন থিহনগনি। মীয়ামা ত্রাফিক্কী নিয়মশিং ঙাকা চৎপীনবা জিলা অদুগী পুলিসনা আপীল তৌরক্লি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিস বিভাগনা শিন্দুনা মহৈরোইশিংদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ড্রিল অমা পাঙথোক্কুনা মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ফয়ার সার্ভিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুর ফয়ার সার্ভিস বিভাগ অমসুং লমফেলপাৎতা লৈবা মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী কলেজ ওফ নর্সিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ড্রিল ফোর দিজাষ্টর প্রিপয়ারনেস ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা নর্সিং কলেজ অসিগী মহৈরোইশিংদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মতাংদা মোক ড্রিল উৎখি। থৌরম অদু হম্ফালদা লৈবা ফয়ার সার্ভিস হেদক্বাটরতা পাঙথোকপনি।

ভেটেরিনারি (এল)ঃ এফ.এম.দি. ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম ঙসি মণিপুরদা হৌদোকখ্রে। রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- এফ.এম.দি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী মঙাসুবা রাউন্দ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা ষন-ইরোই লোইরিবা মীওইশিংনা মশা মশাগী ষন-ইরোইশিং লেমা হিদাক কাপথোকপীয়ু।

নিংশিংবা য়াই, এফ.এম.দি অসি ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৯ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা হৌদোকখিবনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি- মসিগী পান্দমদি ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা এফ.এম.দি অসি লাকশিন্দুনা অমদি ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লাইচৎ অসিবু মুখৎনবনি।

ইমাগী মৈরা (এল)ঃ ইমাগী মৈরানা হায়রি- মণিপুরদা অথুবা মতমদা হাংদুনা লৈরিবা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম অসি মেনশিনবীনবা ইমাগী মৈরানা দাবী তৌরি।

লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট টি.ঐচ. সুজাতানা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি লৈতবা অসি য়ামমক লাইবক থিবনি। লৈবাক মীয়ামা রাষ্ট্রপতি সাসন পামদে, হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিবু লাকশিন্নবগীদমক রাজ্যগী সরকার অমা লৈহনবা তঙাইফদে।

অমদরোমদা, খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কোওর্দিনেতিং কমিতি ফোর পিছ ইম্ফালনা রাজ্য অসিদা মপুং ফানা মেজোরিতি ফংনা লৈরিবা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং অসিনা মরা চেৎপা সরকার অমা করিগীদমক লিংবা ঙমদ্রিবনো হংলি।

ধরমেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসিগী মখাদা অনৌবা নিয়ম অনি অমসু হাপচিল্লে। মসিনা থবক থিরিবা মীওইশিং অমসুং থবক পীরিবা মীওইশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

নিউ দিল্লিদা, দিল্লি য়ুনিভর্সিতিগী হিন্দু কলেজগী ১২৬ শুবা ফাউন্দরস ডে থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা শেল থুমগী

লমদা মীপাল তাংদনা অমসুং নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংনবগীদমক শেনদান লন্বীগী থবক তৌবা হায়বসি তঙাইফদে। শ্রী প্রধান্না হায়- অনুসন্ধান নেসনেল রিছার্স ফাউন্দেসনগী মখাদা নহাশিংদা শেন্থুং কয়া পীথনবা থৌরাং তৌরে।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীয়ামা লৈবাক অসিগী চাওখৎ লন্বীনা মাঙদা থমদুনা লৈবাক্কী ওইবা কন্নবা থৌশিলশিংদা ৱাখল্লোন থন্বীনবা মীয়ামগী পুকিং চিংশিল্লি।

মোহালিগী নেসনেল এগ্রি ফুড এন্দ বাইও মেন্যুফেকচরিং ইন্সটিট্যুটতা এদভান্স ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কেম্পস শঙ্গারদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৌমীগী মচা অমা ওইনা মহাক লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী মীয়ামা মরুওইনা ৱাখল্লোন অসি লৌউ শিংউবনি হায়বসি মহাক খঙই। লৈবাক অসিবু চাওখৎহনগে হায়রবদি খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মীয়ামা লন্বী য়াৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ। চাওখৎপা লৈবাক অমা হায়বসি ঐখোয়গী মঙলান নত্তে, মসি ঐখোয়গী পান্দমনি। মহাকা হায়- খুঙ্গংগা শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবগীদমক্তা লৌউ শিংউ অমসুং শঙ্গোমগী পোত্থোকশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে। মসিনা সমাজ অসিবু মরোমদোম লেপচবা অমসুং মচি ওইবা পোত্থোক পুথোকপদা মতেং পাংগনি। লৌমীশিংনা অনৌবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নদুনা হেন্না পোত্থোক প্‌থোকবা হোৎনরশি।

---হৌজিক শান্নবগী পাউ---

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা সয়িদ মনোরঞ্জন সিংহ সি.আর.পি.এফ. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নরনা অসুফি এফ.এনা ওইরে। তাকয়েলদা লৈবা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা অসুফি এফ.এনা এস.জে.সি.-সলামবু পাঞ্জল ৫-৩ মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৭ সুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী লমলোংদা থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইলিট এফ.এ অমদি য়ু.এস.এ পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ললাম্বুংনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুবু রন মরিদা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈনা রেস নাগামপালবু রন ১ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন ১৯ দা মাইথিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পোলো (এল)ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিদা নৌনা মীং চন্নিংবা অমদি রিনিউ তৌনবা পোলো ক্লব অমদি পোলো প্লেয়ারশিংনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২০ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লমফেল পাৎতা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারগনি হায়রি।

------